# মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): সগোলবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম বেনিফিসরি কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি সগোলবন্দ থাংজম লৈরক মল্টিপর্পজ কম্ম্যুনিটি হোলদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

সগোলবন্দ এ সীদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর পি নবচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইখি। কম্মিটিগী চীফ পেট্রোন ডা. কে ঐচ লোকেননা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। ওরেন্টেল কোলেজগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেনিষ্ট্রিগী রিটয়র্দ এসোসিএট প্রোফেসর তোংব্রম মিরা অমদি কোর্পোরেটর দেবলানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সগোলবন্দ কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম বেনিফিসরি কম্মিটিগী চীফ পেট্রোন ডা. কে ঐচ লোকেননা হায়খি, মহৈরোয়শিং অসি নীংথিনা শেম্বীবা তাই। লাইরিক য়াম্না ফরগা খুন্নাইগী মশক খঙলক্তবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। খুন্নাইবু মমুৎ তানা খঙবা চঙই। মহৈরোয়শিংবু মনা পীগদৌরিবসি পূক্নিং থৌগৎপনি। তুংদা হেন্না ফরক্লবা লমজিং-লমতাকপীবা তাই। অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্লিবসি মহৈরোয়শিংগীদমক খল্লগা শিল্লিবনি। মহৈরোয়শিংনা মতম ঙাক্লা চৎপা তাই। এদ্যুকেসন হায়বসি মসিদগী হৌগদবনি। হৌজিক্কী মতমদা ওনলাইন এগজাম ফাওবা তৌরবনি। থকশি-খাশি হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। মালেমগী মফম অতৈদা ফংবা লাইরিক কয়া ঐখোয়না লায়না পাবা ফংলে। মোবাইলনচিংবা শীজিন্নরগা অদুম্মক পাবা য়ারবনি। মতম অমদা তল্লম্বা লাইরিক্কী মওংগা হৌজিক্কা য়াম্না খেন্নরে হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুদা সী বি এস ঈগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় তরেৎ, কোসেমগী ক্লাস টুয়েল্ভকী মহৈরোয় ২৬, বোসেমগী মহৈরোয় ২০, সী বি এস ঈগী ক্লাস টুয়েল্ভকী মহৈরোয় ২০ দা শেল অমদি সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

অমরোমদা, নহারোল য়াইফকোল নাওরেম লৈকায়না শীন্দুনা ঙসি নাওরেম লৈকায় কম্ম্যুনিটি হোলদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ঐচ এস এল সীগী টোপ্পর ভুমিকা শামুরাইলাৎপমবু তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা লংথবাল জেদ পি মেম্বর এল রোসননা চীফ গেষ্ট, নহারোল য়াইফকোলগী প্রসিদেন্ট নাওরেম মেঘজিৎনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সোসল ৱেলফেয়রগী জোইন্ট দিরেক্টর বন্তি, লংথবাল মন্ত্রিখোং নাওরেম লৈকায় জি পিগী প্রধান সুনন্দনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা নহারোল য়াইফকোলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা হায়খি, ঈচেলনা কংখিবা তারবদি ঈচেল কৌররোই। ক্লব নৎত্রগা এন জি ও হায়বসিসু ঈচেলগুম্বনি। লেপ্তুনা চেন্থবনি। নহারোল য়াইফকোল অসি চঙ-চঙ লাউনা হিংলিবা ক্লবনি। হৌখিবশিং অদুনা হৌদোকপীরমদ্রবা অমদি লম্বী য়াৎলমদ্রবদি তুংদা লাক্কদৌরিবসিনা চৎনবা লম্বী লৈরোই। হান্নগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরি ওইরম্বশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎলিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নর্সরিদগী ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোয় ১৬০ দা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। বোসেমগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় ১৫, কোসেমগী ক্লাস টুয়েল্ভকী মহৈরোয় ৯, সী বি এস ঈগী মহৈরোয় কয়াসু য়াওরি। ঐচ এস এল সী এগজামদা টোপ্পর ওইখিবা ভুমিকাদা নহারোল য়াইফকোলগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ পীখি। নোংপোক পান্থোইবী থৌগল্লুপকী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ৫ অমদি জিলা পরিষদ মেম্বর রোসননা লুপা লিশিং ৫ সু পীখি।

মরক অসিদা ওক্রম শাগৈ অপোকপা ট্রষ্টনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ওক্রম শাগৈগী অফবা মহৈরোয়শিং, শান্নরোয়শিং ওক্তুনা মনা পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ওক্রম শাগৈ অপোকপা ট্রষ্টকী সেক্রেটরি মঙ্গীনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয়শিং অমদি শান্নরোয়শিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। শান্ন-খোৎনবগী লমদা ফেন্সর পি ঐচ অনিতা, বেষ্ট ফুটবোল্লর ঐচ সিলকি অমদি হোকিগী শান্নরোয় দল্লিয়ু নিরজকুমারদা লুপা লিশিং ৫/৫ পীদুনা ঈকায় খুম্নগনি। ওক্রম শাগৈগী খ্বাইদগী অহল ওইরবী অমদি অহল ওইরবা ইমা কৈথেল ফন্বী কয়াদা শেলগী মতেং পীগনি। ইমা কৈথেলদা পোৎফম ফন্বী য়েংখোম ওংবী কমল (৮৫) দা লুপা লিশিং ৫ গী মতেং পীগনি। ষ্টেটকী ওইনা পোজিসন লৌরক্লবা মহৈরোয়শিংদসু মনা পীগনি। ওক্রম শাগৈগী ওইনা অফবা মহৈরোয়শিংদসু মনা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা কোসেমগী চ্যেরমেন এল মহেন্দ্রনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা থবক তৌবা মতমদা হয়েং হায়বা ৱাখল খল্লোইদবনি। কথোকপা অমগা লোয়ননা ইশানা খল্লিবা পন্থুং অদু য়ৌনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী ফেকল্টি প্রোফেসর চিংলেন মাইস্নামনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা ৱাহং হংবা লেপ্পোইদবনি। খঙনিংলিবা কয়া অদু নীংথিনা খঙনা চৎকদবনি। ক্লাস টুয়েল্ভ অমসুং টেন এগজামদা মায় পাক্লবা মতুংদা মখা তানা থেংনগদবা য়াম্না লৈরি। কন্না হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নেপ্রম শাগৈ অপোকপা থৌগল লূপনা শীন্দুনা ঙসি উশা ভবন কম্ম্যুনিটি হোল, সয়াং পুখ্রি মপালদা মহৈরোয়শিং মনা পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নেপ্রম শাগৈ অপোকপা থৌগল লূপকী প্রসিদেন্ট নেপ্রম বিহারী, সোসল ৱার্কর কে ইবোতোম্বী, উশা ভবন স্কুলগী রিটয়র্দ টিচর খুরাইজম জয়, খুমন্থেম পীশক, ক্লবকী কনভিনর ভোগেন অমদি নেপ্রম ওংবী ইবেমহলনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা নেপ্রম বিহারীনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা ট্যুসনগী কলচর চত্থবা অসিনা মহৈরোয়দা অমাঙবা কয়া লাক্লে। ওজা খনবা মতমদা ওজা ওইগদৌরিবা মীওইসি য়াম্না নীংথিনা য়েংবা তঙাইফদে।

নেপ্রম শাগৈ অসি খুমন সলাইনি হায়না খুমন নিংথৌগী মখাদা লৈরম্বনি। ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, ম্যান্মারদা লৈরিবা শাগৈগী ইচা-ইশুশিং শেমগৎনবা এৱার্দ অসি পীবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বোসেম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামদা মার্কৱাংনা ফংলবা মহৈরোয় কয়াদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

# মায় পাক্লবা হোৎনবদা এদ্যুকেসন য়াওদবা য়াদে: চালতোলিয়ন

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): পুন্সিদা মায় পাক্লবা হোৎনবদা এদ্যুকেসন য়াওদবা য়াদে, পান্দমগা লোয়ননা হোৎনগদবনি হায়না এম এল এ, ডা. চালতোলিয়ন অমোনা ঙসি শগোলমাং মল্টিপর্পজ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা নবকুমার মেমোরিএল ট্রষ্ট, শগোলমাং অমদি প্রোগ্রেসিভ য়ুথ ক্লব, শগোলমাংনা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১২ রকশুবা থোকচোম নবকুমার মেমোরিএল এৱার্দ সেরিমোনিদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডা. চালতোলিয়ন অমোনা হায়খি, মহৈরোয় ওইরিঙৈ পুন্সিদা পান্দম অমগা লোয়ননা মহৈ-মশিন থৱায় য়াওনা হোৎনগদবনি। মেট্রিক অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক ৱাংনা মায় পাক্লে হায়দুনা থৌশাদনা লৈথোকপা য়াদে। তুংদা লাক্কদবা এগজাম কয়াদা হেন্না মায় পাক্লবা অখাঙ-কন্না হোৎনগদবনি। পান্দম অমগা লোয়ননা মহৈ-মশিনদা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা মায় পাকপা পুরক্লবা মীৎয়েং থম্বা তাই।

পুন্সিদা মায় পাকপা পুরক্লবা হোৎনবদা এদ্যুকেসন হায়বসি য়াওদবা য়াদে। হিরম খুদিংমক্তা এদ্যুকেসন চঙই। শান্ন-খোৎনবা অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফম খুদিংমক্তা এদ্যুকেসন হায়বসি মরুওই। শিনফম খুদিংমক্তা এদ্যুকেসন চঙবা মরম্না মহৈ-মশিন তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনবা তাই। পুন্সিদা ফংগে খন্না তাল্লিবা পান্দম অদু ফংনবগীদমক হনবা লৈতনা হোৎনবা তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মনা-মথুম পীবগী থৌরম অসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা এদ্যুকেসন হায়বসি য়াম্না মরুওই। অফবা মহৈরোয়শিং শেমগৎনবগীদমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা তাই। তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবশিংবু শেমগৎপা হায়বসি তঙাইফদবা থৌদাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): প্রোফেসর কুঞ্জোনা মণিপুরীদা হন্দোকপা নীংতম্বা অমসুং ইংলিসতা ইবা মিলিনিয়ম ট্রাইলোজি হায়না মিংথোনবা লাইরিক অনী ঙসি মণিপুরী হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ রাজেন তোইজাম্বা অমদি ইম্ফাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. মোইরাংথেম প্রিয়োবর্ত্তনা লাইরিক মশক তাকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙবদা প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা ফোঙদোকখিবদা, ট্রান্সলেসন হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমনি। মণিপুরী স্ক্রিপ্টতা তোঙান তোঙানবা লোল কয়াদগী ট্রান্সলেট তৌবা হৌরে। ট্রান্সলেট তৌরগা শন্দোকপা তঙাইফদে হায়খি।

## খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): অপূনবা মতম ঈশৈ কাঙলুপকী থৌমীশিংনা কেক্রুপাৎ শিৎ-শেংবগা লোয়ননা ইকো ফ্রেন্দরি ওইবা দষ্টবিন ২৫ অমসুং শুনু বেগ ১৫ খুদোল তমখ্রে। কেক্রুপাৎকী নাকলদা লৈরিবা পুখ্রিগী ঈশিং লূ-নান্না থম্নবা শুনু খুৎশিন্নখিবনি। কেক্রুপাৎকী মফম কয়াদসু শুনু চাইথোকখি। দষ্টবিনশিং থমদুনা অমোৎ-অকায় মফম চানা হুন্দোক্লবা দষ্টবিনশিং খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া যোগ চেম্পিয়ন্সিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা হৌজিক হৌজিক যোগ ট্রেনিং এন্দ রিছার্স সেন্টরগী চীফ ইন্সত্রক্টর ওইরিবা নিঙোম্বম গঙ্গাবু নেসনল যোগ ওলেম্পিয়াদ ২০১৯ গী জুরি ওইনা খল্লকপগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ দা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়বা খোঙজংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মণিপুর ইমাগী মপারী-মমোমশিংবু নীংশিংদুনা থা অসিগী ১৮ দা ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটিনা রিমস হোস্পিটাল অমদি ইনষ্টিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হেমাটোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফ্যুজনগা খুৎশম্নদুনা রিমসতা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোক্লগনি হায়না ভি ঐচ য়ু সী, রিমসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে সন্তোসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

২০ লকশুবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অসিদা লমদমসিগী মীপুম খুদিংনা ঈ য়ুনিট অমমম দোনেট তৌবীয়ু। ঈ কৎপা অসিনা অথৌবা-অথৌবীশিংগী মফমদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা ঈকায় খুম্নবা উৎপনি। অশোক-অপন নংলবা অনাবা কয়াগী থৱায় কনবদা ইশা-ইশানা পীবা য়াবা ঈ পীদুনা কেম্প অসি পাঙথোকমিন্নসি। মমাঙগী ব্লদ দোনেসন কেম্পতা শরুক য়াখিবা ইচিল-ইনাওশিংনসু নুমীৎ অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ভলন্টরি হেল্প য়ুনিট কম্মিটি রিমস হোস্পিটালনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5402/30/5-19/6

# ইন্টরনেসনল এদ্যুকেসন এক্সপো হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): এ এস এদ্যুকেসন ট্রষ্ট ইম্ফাল অমদি পেরেন্টস এসোসিএসন ফোর মণিপুরী ইন্টরনেসনল ষ্টুদেন্টস মণিপুরনা শীনবা ঙসিদগী হৌরগা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চত্থগদবা ৫ শুবা গেটৱে এবোর্দ ইন্টরনেসনল এদ্যুকেসন ২০১৯ গী থৌরম ঙসি কোনুং মমাঙগী বোটমনাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ইরমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা মণিপুরগী মপানদা লাইরিক তম্বা মরুওইনা এম বি বি এস, এম দি, বি দি এস, এম এস, বি এস সী নর্সিং, জি এন এম, পি বি বি এস সী, এঞ্জিনিয়রিং অমদি বি ফার্মনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ট্রেদশিংদা তম্বা চৎনবা হোৎনবদা অমসুং মিং চন্নবা হোৎনবদা মথৌ তাবশিং অদু মপান লমগী এক্সপার্টশিং য়াওনা মহৈরোয়শিং অমদি পেরেন্টশিংদা খুদোংচাবা, চাদবশিং অদু খঙহনবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ডা. নিঙোম্বম জিতেন্দ্র, ফোর্মর মিনিষ্টর অমদি ইন্দিয়ন ডোক্তর ওফ পিছ এন্দ দিভলপমেন্টকী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. মোইরাংথেম নরা অমদি এ এস এদ্যুকেসন ট্রষ্টকী চ্যেরমেন অল-হাজ সলাউদ্দিন খাননচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা দেজদা ফমখিবশিংদি, প্রাইম মেদিকেল কোলেজগী মেনেজিং দিরেক্টর অব্দুল ৱাহাব চৌধুরি, রাংপুর কম্ম্যুনিটি মেদিকেল কোলেজগী দেপ্যুটি মেনেজিং দিরেক্টর অল-এমিন, টি এম এস এস মেদিকেল কোলেজ প্রোফেসর অনুপ রহমন চৌধুরিসু য়াওখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# লায়রবগী চেঙ হুরানবদা মাওইষ্ট য়াওদে : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুন ১৬: লায়রবগী চেঙ হুরানবদা মাওইষ্ট য়াওদে হায়না মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱাংখৈ এ সীগী লায়রবা মীয়াম্না ফংফম থোকপা চেঙ, এ এ ৱাই, বি পি এলনচিংবা অমদি মখল অমত্তগী লায়রবনা ফংফম থোকপা চাকথুং হুরানবদা মাওইষ্ট কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুর য়াওদে। হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুর মাওইষ্টনা হৌখিবা মতমদগী লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং ফংহন্নবা মতম মতমগী ওইবা চেরোল থোক্তুনা লাকখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক ফাওবা চঙশিনখিবা লৈরে। লায়রবা মীয়ামগী চেঙ হুরাল্লিবা অসিদা চেন্নরিবশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মকোক্তগী হৌরগা ময়াম অমা চেন্নে। মাওইষ্টতি হিরম অমত্তদা চেন্নদে। অয়েনচেঙ কিলোদা লুপা ৩২ দগীনা লুপা ৩৫ গী চাংদা পীখ্রে। চেঙশিং অসি লায়রবা মীয়াম্না লুপা ৩ দা ফংগদবা চেঙগী চাকথুং শরুক অদুনা হুরান পোৎয়োনদগী শেন্দোং লৌনরকপদগীনি। ফীভম অসি য়াওল লালহৌগী লীচৎ নত্তে হায়বসি মাওইষ্টনা হৌবদগী ৱারেপ্ন দুনা লাকপনি। মীয়াম্না চরা হেল্লগা লাল হৌরনি হায়বসি করম্বা মখলগী লালহৌনো হায়বসি মাওইষ্টকী ৱাখলনা লাম্বা ফংদবা ফীভমশিংনি।

মাওইষ্টনা হিরম অসিদা হৌজিক ফাওবা মায়থীদুনা লাক্লি। মায়থীরিবা অসিগী চপ চাবা লম্মন অমদি শোয়দনা শিংগনি। মসি য়াওল লালহৌগী পোলিটিকেলগী ওইবা ৱাহৈদা মতম খরগী মায়থীবা হায়বদুনি। তশেংনা মাওইষ্টনা লায়রবা মীয়ামগী পুকচাক হুরানবশিংবু চৈরাক পীবা ঙমদনা চাউনা মায়থীরগা লৈরি। মীয়াম খঙনা লূপ অসিনা ৱাশকলি মদুদি, থা খরগী মতুংদা চেঙ হুরানবদা চেন্নবশিং চপ চানা পারা তন্বীগনি। চুঙ্গোই কয়ানা কুয়োম ওইরবসু লূপ অসিনা শিংনখ্রবদি লেম্না ঙসি ফাওবা তোক্ত্রি হায়বসি শেঞ্জাও পায়বা, তৌবা ঙম্বা হুরানবশিং অসিদসু শোয়দনা খঙহনগনি। মসি মাওইষ্টকী লেংদ্রবা ৱাশকনি। মণিপুর মাওইষ্টনা লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং মুলহল্লোই। লূপ অসিগী লান্মীশিংনা চাকলুক অমফাওবা লায়রবা মীয়ামদগী লেম্না চাদে। অহল-লমনশিংগী চীংগী লমশিংদা খুনমীশিংগী মরুম থুপ্পা হিংবা ঙল্লিবনি। কমরেদ চ্যেরমেন মাওগী মীয়ামগী মরল অমত্তা ফাওবা লেম্না শীজিন্নদবা হায়বা কাঙলোনা অদু ঙাক্লা চৎলি। লূপ অসিগী শিন্মী মপুং ফানা লৈ। ঐখোয়না মীয়ামগী চাকথুং হুরান্দুনা শেঞ্জাও পায়বা ময়ামশিংদা চপ চাবা পারা তন্বীদুনা লাক্লি।

লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং হুরাল্লিবশিংগী মরল অদু মীয়ামদা অমুক য়ৌহনবা হায়বসি চপ চাবা ফিরেপনি। হৌজিক মপান ফরিঙৈদা লূপ অসিবু শিংনরিবশিং কয়াম কুইনা লূপ অসিগী মমাঙদা লেপ্পা ঙম্বগে হায়বদু অথুবা মতমদা খঙলগদবা থৌদোকনি। মণিপুর মীয়াম্নসু ৱাংখৈ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না ইচঙ থৌনা চোংথোরকপগুম ইশাগী চাকথুংগীদমক থেংননবা, মীয়াম হুপ্পা লায়রবা মীয়ামগী চাকথুং মৎলিবা অসিগী মায়োক্তা চোংথোক্তুনা ঈহৌ চঙশিনবীয়ু। মণিপুর মাওইষ্টনা অদুগুম্বা মীয়ামগী ঈহৌ অদুদা মপুং ফানা শৌগৎকনি। লূপ অসিনা মখা তানা খন্নরবা মতুংদা লূপনা চঙশিনগদবা ফিরেপ অদুসু মীয়াম খঙনা লাউথোক্তুনা মখা তানা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ৱারেপ্নরগনি।

নাকল অমরোমদা, ৱাংখৈগী এজেন্ট ময়াম্না চেঙ হুরানদে হায়না শেংদোরক্লিবা অসি অচুম-অরান মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফমনি। মখা তানা অৱাই-অখুম চত্থরক্লবদি লূপনা কৈদৌনুংদা তুমীন্না লৈথোক্লোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, খাঙবোক্কী চ্যেরমেন কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাঙনা সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্টটুগী প্রধান ৱাহিদুর রহমন অমদি লৈকায়গী মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা সঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান নুংফৌ বজারদগী সত্রাম তাবা লম্বীদা উ-চারা ২৭০০ থাখ্রে।

উ থাবা অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা কে ঐচ মেঞ্জোরনা হায়, উ-ৱা য়াম্থৎপদগী হৌজিক হৌজিক অঙৈং-অশাগী চাংদা অকায়বা পীরক্লিবা অসিদগী থিংদুনা লমদম অসিদা অশেংবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম লৈহন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী উ-চারা থাবসি পাঙথোকপনি। লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা উরুমদা ঙাইহাক পোত্থাজবা ফংনবা উ থাবনি হায়খি।

# কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিক পাঙথোক্তুনা লেম্না লায়েংলি : রাজেন

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিমগী মখাদা রাজ মেদিসিটিদা চহী খুদিংগী ওইনা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিক পাঙথোক্তুনা লেম্না লায়েংবগী থবক চত্থরকপনি হায়না হোস্পিটাল অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজেননা ফোঙদোকখ্রে।

থা অসিগী ২২ ফাওবা চত্থগদবা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিক ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদগী হৌদোকখি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়ানা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা লৌনখি। ইন্টিগ্রিটি ৱিক্কী মতাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রাজ মেদিসিটিগী মেনেজিং দিরেক্টর রাজেননা হায়খি, ষ্টেট অসিদা জুন অমদি জুলাই থা অসি অৱাবা মতম ওই। বন্দ, ব্লোকেদনচিংবা কয়াগী অৱাবসু হায়রিবা থা অসিদা মমাঙদা থেংনখিবা লৈখি। চহী খুদিংগী ওইনা হায়রিবা অৱা-অনা তাবা থা অসিদা রাজ মেদিসিটিদা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিক পাঙথোক্তুনা অনাবশিং লেম্না লায়েংবনি।

থা অসিগী ২২ ফাওবা চত্থগদৌরিবা অহুম্লকশুবা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিক অসিদা তোঙান তোঙানবা অনাবা মখল কয়া লায়েংবগী খুদোংচাবা পীগনি। সর্জিকেল ওনকোলোজি, ওর্থো, জেনরেল সর্জরি, মেদিসিন, ঈ এন টি, গাইনি অমদি য়ুরোলোজিগী লেম্না ও পি দিগী খুদোংচাবা ফংগনি। হয়েংদি ডোক্তরশিংগী খোঙজং লৈবা মরম্না ও পি দি অমদি সর্জরি লৈরোই। থা অসিগী ২২ দা মীদিয়াগী মীওইশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি।

কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিমগী মখাদা রাজ ইন্টিগ্রিটি ৱিককী থৌরম অসি হন্দক্তা অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোকপনি। মমাঙ চহীদা মীওই ১০০০ গী মথক্তা লায়েংবা লাক্লখি। হন্দকসু মশিং য়াম্না লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঙসি অহৌবা নুমীৎ অসিদসু মীওই কয়ানা লায়েংবা লাক্লরি হায়নসু ফোঙদোকখি।


Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)
Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM
ADMISSION OPEN
Class XI (Science & Arts)
(DAS)
Special Admissions Offer for Limited seats only
2019 COHSEM School Performance
4th Position in Arts
Inspire Awardee in Sc.
100 % Pass in Arts
98% Pass in Sc.
Admission Criteria

| | |
|---|---|
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.



SHINE TUTORIAL CENTRE
A Unique Education for Future
WANGKHEI KEITHEL ASANGBI IMPHAL EAST
ADMISSION OPEN


FOUNDATION COURSE
CLASS - X
BOSEM 2019-20
COMMENCE FROM
20th June, 2019
Last date of Admission 18th June, 2019


For Details:
Visit at the Office of the Shine Tutorial Centre
Contact No.: 9774223274
Limited seat: first come first served


HL-P/4292/9-23



EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST
ADMISSION OPENS FOR
2nd FOUNDATION COURSE
CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)
CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019
OUR SHINING STARS
Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)


HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019


PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
SPECIAL TEST
VAN FACILITIES
Subjects offer:
Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science
Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (I) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science - Mem Roxy
CLASS TIMING 4:30 - 7:30 AM (MOR) 4:30 - 7:30 PM (EVE)
PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500
HL-B/5409/23/5-22/6